ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

হুইয়েন লানপাউ

নিংথৌকাবা, ওক্টোবর ২৫, ২০২১, ইম্ফাল

৪৫শুবা চহী, ২১০শুবা মশীং

# ইবোবীদা লাই চঙবা

## মছ এদু অবাউট নথীং

চহী ১৫ থংন-থংননা চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা ওক্রম ইবোবীগী মথক্তা, মহাকপু কোৎশিন্দুনা লামশিল্লগা য়াওহনবা কেসশিংগী মশীং ফজনা য়ামখৎলক্লে। কেসশিং অসিদা ষ্টেট পুলিসনা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপা য়াওরি। লৈবাকসিগী ইন্দিপেন্দেন্ট বোদিশিংনি হায়রিবা সেন্ত্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই) অমসুং দিরেক্টোরেট ওফ এনফোর্সমেন্ট (ঈ দি) না লৌখৎপা কেসশিং য়াওরি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা ঈ দিনা লৌখৎলকপা কেসনা তোঙান-তোঙানবা থৌদোক অনীগী মতাংদা লৌখৎপা কেস অনী শুরে। ঈ দিগী অহানবা কেসনা ইম্ফালদা লৈরিবা দিরেক্টোরেট অসিগী সব জোনেল ওফিস অসি হাংদোক্ত্রিঙৈদা অদুঙৈ ওক্রম ইবোবীনা চীফ মিনিষ্টর ওইরিঙৈদা মণিপুর দিভেলপমেন্ট সোসাইটি (এম দি এস) গী চ্যেরমেনসু ওইখি। মতমদুদা লোক্তাক পাৎতা ৱাটর স্পোর্টসকী ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং শেমগৎনবগীদমক থাদরকপা য়াম্লবা শেনফমশিংদগী চোম্লপ অমা লান্না শীজিন্নখি হায়বগী মতাংদনি। কেস অসি বি জে পিনা লুচিংলক্লিবা লৈঙাকসি মার্চ ১৫, ২০১৭তা ৱাশক লৌবগা পন্থদনা সেপ্টেম্বর, ২০১৭তা অহানবা ওইনা ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসননা রেগ্যুলর এফ আই আর কেস ওইনা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপনি। পুলিসনা কেস অসিগী ইনভেষ্টিগেসন চত্থবা হৌরকপদগী মণিপুর লৈঙাক্না সী বি আইদা খূৎশিন্নখিবনি। অহানবা খূৎমারকপা কেস অসিদি হৌজিক কোংগ্রেস লেজিসলেচর পার্টি (সী এল পি) গী লিদর ওইরিবা ও ইবোবী খক্তদা চার্জ তৌরকপা নত্তে। এম দি এসকী চ্যেরমেন ওইনা থৌ পুরম্বা চীফ সেক্রেটরি ওইরম্বা মীওই অহুম য়াওরি। এম দি এসকী মেনেজিং দিরেক্টর ওইরম্বা, একাউন্ট ওফিসর ওইরম্বনচিংবা য়াওরি।

অদুবু কেস অসি সী বি আইদা খূৎশিন্নদুনা এজেন্সী অসিনসু নৌহৌননা কেস অমা লৌখৎখি। পুলিস অমসুং সী বি আইনা লৌখৎপা কেস অসিমক চিটিং, ক্রিমিনেল কন্সপিরেসি অমসুং প্রিভেন্সন ওফ করপসন এক্টকী তোঙান-তোঙানবা সেক্সনশিংগী প্রোভিজন মখাদা লৌখৎপনি। অদুবু এম দি এসকী মতাংসিদা পুলিস, সী বি আইনা কেসশিং লৌখৎলকপগী মথক্তা এনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটনসু কেস অমুক লৌখৎলি। হৌজিক্না এম এল এ ওইরিবা হান্নগী চীফ মিনিষ্টরসিগী মথক্তা লৌখৎলক্লিবা কেসশিংসি মরোল-মরোলনি। মহাভারতকী লানদা তেন অমখক কাপ্লক্লগা ১০০/১০০ থোকহনবগুম্বনি। মসিনসু লোইদ্রি। ইম্ফালদা ঈ দিগী জোনেল ওফিস অমা হেক হাংদোরকপগা লোক্তাক দিভেলপমেন্ট ওথোরিটি (এল দি এ) না লোক্তাক পাৎতগী ফুমদি শেংখিবদা কায়থরকখিবা শেনফমশিং হাইদৎখি হায়বগী মতাংদসু পুমনৌ নৌবা কেস অমমুক লৌখৎলকপনি। কেস অমা লৌখৎলকপগী হৌনবা এক্যুইজনি হায়দুনা চার্জ তৌরক্লিবা মহাকপু দিরেক্টোরেট অসিগী ওফিসতা লাক্লনবা খঙহল্লকপনি। মসিদগী হান্নগী এম দি এসকী মতাংদা পুলিস, সী বি আই অমসুং ঈ দিনা লৌখৎপা কেসশিংদগী হায় কোর্টতগী এন্টিসিপেটরি (প্রি-এরেষ্ট) বেল লৌদুনা লাক্লিবা ওক্রম ইবোবীনা অমুক্কসু হায় কোর্টকী থোঙজিন্দা লেপ্লবনি। ইকোন কোনবা কেস অসিদগীসু এন্টিসিপেটরি বেল পীবিনবা হায়জরকখিবনি। ও ইবোবীগী প্রেয়র অদু ওক্টোবর ২১, ২০২১দা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী চীফ জষ্টিসকী বেঞ্চনা লৌখৎতুনা খন্নখি। ঈ দিদগী রিপোর্ট পীখৎলক্লবা খঙহনখি। অদুগা পিটিস্নর ও ইবোবীবুনা মহাক্কী মথক্তা কেস অসিগী মথংগী নুমিৎ ওক্টোবর ২৮ ফাওবা নম্ফু হাফুগী থবকশিংদা ফাবা-পূনবগী থবক্লচিংবা অমত্তা তৌবা য়ারোই হায়দুনা খঙহনখি। মসিনা লো কোর্টকী ওইবা ৱাফমনি। অদুবু ও ইবোবীগী মথক্তা লো এনফোর্সিং এজেন্সী অহুম্না য়োমশিন্দুনা নমদুনা ফানবা লোংউপ তাল্লক্লিবা অসিবুদি মরম লৈদুনা লৌখৎলকপা থবকশিং ওইরম্ববুদি য়াই। অদুবু তৌথোরক্লিবা কৈদাসিদি পোলিটিকেল রাইভেল ওইবগী মথক্তা ইলেক্সন ময়া নকশিল্লকপগী থৌওং মাল্লি। লৈঙাক পায়দবা ও ইবোবীদা লাই চঙবা, অতম্মনা তৌরকপা মাল্লি। অদুবু লো-এনফোর্সিং এজেন্সী অসিগী ইন্টিগ্রিটি অমদি সিন্সরিটিনা কমদৌবা? লৈবাক ৱাথোক ওইখিবা প্রভিস চনমগী মীশিগী মতাংদা থিজিনখিবা সী বি আইনা ক্লোজর রিপোর্টতা এক্সিদেন্টনি হায়রকপদু গাজিয়াবাদকী স্পেসল কোর্ট অমনা মৱা লৌদবদগী অমুক হন্না ইনভেষ্টিগেসন চত্থনবা ওর্দর পীখি। অদুনা এজেন্সীশিং অসিনা দিসচার্জ তৌরক্লিবা মখোয়গী মথৌশিংসি মখোয়দা শিন্নরিবা দ্যুটিশিংদু কাঙলোন চুম্না ফুলফিল তৌহল্লক্লিব্রা হায়বদুসু নৈনফম থোকই হায়নীংই।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৮

১) *“জাতি কৌবী শকহেনবী/লৈরাংলক্তগী অথোইবী/পাম্মুবৈ চেংলৌ উবরা/নুজা ঐঙোন্দা তম্মুবা”* হায়বা মীয়াম্না য়াম্না পাম্না তানরিবা অরিবা ঈশৈ অসিগী শৈরেংবা কনানো অমসুং করি দ্রামাদা শকখিবা ঈশৈনো?

২) রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরনা ইরম্বশিংদগী খনগৎলগা মণিপুরীদা হন্দোক্লগা পুথোরকপা **“রবীন্দ্র লৈচল”** হায়বা লাইরিক অসিগী অফোঙবগী মমিং হায়য়ু।

৩) *“ইফেল টৱার মখোঙদা কংলৈ থোকপা”* হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৪) *“লম অসিদা লৈবা মরু মরু ওইবা চীংশিং অসিগী মরমদা তোপ্পা তোপ্পা ইরম্বা লাইরিক কয়া থেংনজে।”* অসিগুম্বা লাইরিকশিং অসিদগী খরমখৈ পুনশিল্লগা পুথোরকপা লাইরিক অদু করি লাইরিকনো?

৫) *“লৈপাক্কী মুর্তি”* হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# লৌমীশিংগী কাখল

## সাজনা (দ্রমষ্টিক) পান্থী করিনো, মাগী ধারা করম্না শন্দোক্কনি, কান্নবনা করিনো

- এস সুমঙ্গল -

ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদা কয়া মুন্না খঙনদ্রিবা য়াম্নমক কান্নরবা পান্থী অমগী মরমদা ঙসিদি খরা থমজগে। মণিপুরদা কয়া হৌদবনা মরম ওইরগা মশক অমদি মাগী কান্নবা কয়া খঙনদ্রিবা অদুবু লমদমসিদসু নিংথিনদি হৌবা ঙন্থা, মসিবু কনাগুম্বনা মণিপুরদদি হিন্দিদগী লৌদুনা সাজনা হায়নসু খঙনবা পান্থী অসি ইন্দিয়াগী অতৈ ষ্টেটশিংদা লৌউ পোথোক অমা ওইনা থানরবা পান্থী অমনি দ্রমষ্টিক। পান্থী অসিবু এসিয়া (মরু ওইনা ইন্দিয়া, পাকিষ্টান অমসুং অতৈ) অমদি আফ্রিকাগী লৈবাকশিংদা মহৌশাদগী নিংথিনা হৌরল্লবা অদুগা মপান লৈবাক্কী মীওই অয়াম্বনদি মোরিঙ্গা হায়নসু খঙনৈ। পান্থী অসি ফুট ৩০ মুক ৱাংনা হৌবা, মাগী মহৈদু ফুট ১-১.৫ মুক শাংবা চিথেক অহুম নাইতক তৌনা মতুম তানা শাংবা, কৈথেলদা মপুন-মপুন পুন্দুনা য়োনবা, হকচাংদা য়াম্না কান্নরবা পান্থী মখল অমনি। পান্থী অসিগী অয়াম্বা শরুকশিং - মপান, মনা, মহৈ, মসা খুদিংমক চাবা য়াই। মরা য়াওনা পান্থীগী অতৈ শরুকশিংদগী কান্নরবা হীদাক লাংথক কয়াসু শুংবা য়াই। মরূদগী মতম শাংনা কংবা নাইদবা থাওসু (লুব্রিকেন্ট) শুংই।

মখল :- মোরিঙ্গাগী মরু ওইবা মখল অহুম লৈ। মখোয়গী মনুংদা মখল অমখক্তনি শীজিন্নরিবসি। (Moringa oleifera) হায়রিবা মখল অসিনি মীয়াম্না য়াম্না কান্নবা পান্থী ওইবনা মসিবু লৌউ পোথোক ওইনা পাক শন্না থানরিবসি। পান্থী অসিগী তোঙান তোঙানবা ভেরাইটি কয়া অমসু পুথোক্লরক্লে।

কান্নবা :- পান্থী অসিগী কান্নবসিদি থাবগী লোইবা নাইদবগুম্বনি। পান্থী অসিগী শরুক খুদিংমক কান্নবা/শীজিন্নবা য়াবা পান্থী ওইবনা য়াম্নমক মরু ওইবা পান্থী ওইনা লৌনৈ। সুপর ফুদ ওইনসু লৌনৈ। এঙ্গাং ওইনা মরু ওইনা চানরিবসি মনা অমসুং মহৈনি। মহৈ অনৌবা অমদি মনানা শাগ তৌদুনা অদুগা খরা লিরবা মহৈনা হৱাই থোংবনচিংবদা মকক মকক থাক্তুনা মনুংগী অথোংপা শরুক অদু চানৈ। য়াম্নসু হাওবা এঙ্গাং ওই। মনানা খ্বাইদগী মচি ওইবা শরুকনি হায়না লৌনৈ, মথংদা মহৈ অসিনি। মনাদা হকচাংগী কান্নরবা চিঙ্গাক মচন কেলসিঅম, আইরন, জিঙ্ক, সিলেনিঅম, মেগ্নেসিঅম, মেঙ্গানিজ, ফোসফোরস, পোটাসিঅম, সোদিঅম মরাং কায়না য়াওই। প্রোটিনসু গ্রাম ১০০দা গ্রাম ৯.৮ য়াওই হায়রি। মহৈ অমসুং মরূদা হার্টকী কান্নরবা ফেটি এসিদ মখল অমা য়াওই। ভিটামিনশিংগী মনুংদা এ বি-১, বি-২, বি-৫, বি-৬, বি-৯, ভিটামিন সী মরাং কায়না য়াওই হায়না যু এস দি এনা ফোঙদোক্লি। পূন্নমকশিং অসি য়াওবনা তোঙান তোঙানবা লায়নাশিং ঙাকথোকপা অমসুং ফহনবদা য়াম্না কান্নরবা পান্থী মখল অমনি হায়দুনা মসিবু সুপর ফুদনি হায়না খঙনরে। লোয়ননা মসিবু ‘ত্রী ওফ লাইফ’ হায়নসু খঙনরে।

ধারা শন্দোকপা :- পান্থী মখল অসি মরূদগীসু থাবা য়াই, মসা কক্তুনসু থাবা য়াই। কালেনথাদা হৈনবা পান্থীনি। মরম অদুনা নোংজুথাদা মসা কক্তুনা নৎত্রগা মরূ থাদুনা শাগৎলকপা মতমদা পান্নবা থাবা য়ারে। য়াম্না খূৎলৈ থুনা চাওগনবা, থাবদগী থা ৭-৮দা মপান শাদুনা মহৈ য়ানবা ঙম্বা পান্থীনি। থারবা মতুং পংৱাং ৱাংহন্দনবা মতোন ককথৎনৈ। মসিনা মসা লোংহন্দুনা, নেম্না পালহন্দুনা মহৈ অমদি মনা হেকপদা খুদোং য়াম্না চাহল্লি।

মণিপুরগী লৈবাক লৈহাও অমদি ঈশিং নুংশিৎতা অদুমক চানবা পান্থী মখল ওই। মণিপুরগী সেরৌদা পান্থী অসি য়াম্না মায় পাক্লা থাবা থেংনৈ। মণিপুরগী কৈথেলদা য়াম্নমক শেন্দোং লৈনা থাবমক নৎত্রবসু পান্থী অসি থাবদা লায়বা মরম্না অমদি পান্থী অসিগী কান্নবশিং অসি য়েংলুরগা য়ূম য়ূমদা থাদুনা পান্থী অসিগী কান্নবা অসি লৌবা ফৈ খল্লি।

কান্নবা খরগা অমুক :- দাইবেটিস লৈবা মীওইশিংদা চিনিগী চাং চানা থমদুনা কান্নবা পী হায়বগী পাউদম লৈ। কেন্সর মখল খরদা লায়না অসিনা খূৎলৈ হেন্না থুজিনহনববু তপথহন্দুনা কেমো থেরাপি তৌবদা মতেং পাংই হায়রি। তাং-তাং চিকপা, অতৈ চিকপা নাবা তৌবা লায়নাশিং ফহনবদা পান্থী অসিনা য়াম্নমক কান্নবা পী হায়রি। চাবা তুম্বদা য়াম্নমক মতেং পাংইসু হায়রি। মোরিঙ্গাগী থাওনা কুইনা কংদবা মরম্না ঘড়ীগী মনুংগী পার্টশিং নিংথিনা থবক তৌহনবদা শীজিন্নৈ হায়রি। থাও অসিগা অতৈ মনম নুংশিবা থম্বালগী থাওগা য়ান্নরগা কান্নরবা থাও মখল শেম্মী হায়রি। থাও অসিনা উরিং থুংবা ফহনবা, উনশা খুইহন্দবা অয়ূক, নুমিদাং তৈদুনা শীজিন্নবা য়াবা থাও মখলশিং শেম্মী, অতৈ থাওগুম মায় লংখৎপা, নান-নান লাওবসু হন্থে হায়রি। ৱাখল নুংঙাইহন্দবা কোকহল্লি, পূক্লিং লৌশিং থোকহল্লি। অতৈ অতৈ কান্নবা কয়া অমসু লৈ হায়রি।

পাক শন্না থাবগী কাঙলোন খরা :- ওষ্ট্রেলিয়াদা মোরিঙ্গা ফার্ম চাওনা তৌদুনা ইন্দষ্ট্রিএল প্রদক্ট কয়া অমা শেম শাবা তৌখ্রে। মণিপুরগী অঙ্গৈং অশাগা অদুমক চানৈ - ২৫-৩০° সেলসিঅসতা নিংথিনা হৌবা ঙম্মী, ঈশিং তুংগন্দবা, ফোলি তাবা মফম্না খ্বাইদগী ফবা মফমনি। মোরিঙ্গা মরূ অদু ইঞ্চি ২.৫ লুনা ফুমদুনা থাগনি। মশানা থাবা ওইরগনা ফুট ১ লুনা ফুমগনি। পান্থী অমগা অমগা ফুট ৫ লাপ্পহনগনি। ঈশিং কা হেন্না চঙবা পান্থী ওইদে।

পূন্নমকশিং অসি লৈবনা য়ূমথোঙ খুদিংদা পান্থী অসি থাদুনা পান্থী অসিগী কান্নবা অসি লৌবা য়াম্নমক মরু ওই হায়না থমজরি। ●

## মতম খরগী মতুংদদি পুখ্রিদা ঙা য়োকপগী মহুত্তা ঐখোয়গী অকোয়বদা লৈরিবা নুংশিৎ শীজিন্নদুনা ঙা য়োকপা শুংশোয় শোয়দনা হৌনরক্লগনি

ডা: য়ূম্নাম বেদজিৎ

সাইন্স অমসুং টেক্নোলোজি হায়বসি অসুক্কী মতিক মগুণ লৈখ্রবা পোৎশক অমনি। ঐখোয়না ওইথোকপা য়ারোই হায়না খন্নবা নৎত্রগা ঐখোয়গী ৱাখলনা লাম্বা ফংদবা পোৎশক কয়া মতম খরগী মতুংদা ওইরক্লগনি। হৌজিক অনৌবা থৌওং অমা ওইনা ঐখোয়গী অকোয়বদা লৈরিবা নুংশিৎতগী ঈশিং ওলহন্দুনা নোং ওইনা চুহনবা ঙম্লে। মরম অদুনা মতম খরগী মতুংদদি ঐখোয়না য়োক্লরিবা ঙা অসি নুংশিৎতগী শুংবা ঈশিংদা য়োক্লরক্লগনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। মসিনা ঐখোয় মীওইবদা অচৌবা অওনবা অমা পুরক্লগনি।

হৌজিক মালেমগী ওইনা মিনট অমদা অঙাং ২৫০ পোকই অদুনা নোংমদা অঙাং ৪০০০০০ পোকই। অসুম্না চহী অমদা অঙাং মিলিয়ন ১৪০ পোকই। মরম অদুনা চহী ৩০গী মতুংদদি মালেমগী অপূনবা মীশিং অসি ক্রোর ১০০০ য়ৌরক্লগনি।

অসুম্না মীশিং হেনগৎলক্লবা মতম অসিদা হৌজিক্কী পোথোক পুথোকপগী মওং অসিদা লৈরবদি ঐখোয়না চাননবা চিঙ্গাকখক নত্তনা অতোপ্পা শীজিন্ননবা পোৎশক খুদিংমক অমত্তা কোন্নররোই। অদুগীসু মথক্তা মহৌশাগী ওইবা ঈশিংশিং হায়বদি পাৎ, তুরেলনচিংবা কয়া অসি অসুক্কী মতিক মাঙশিল্লক্লি অমদি ইন্দিয়াগী ওইনা ঙা য়োকপগী ফীভম অসি ঙামীনা অসুক্কী মতিক য়াম্মী অদুগা ঙা য়োকফমনা অসুক্কী মতিক পিকই। মসিগীসু মথক্তা অকোয়বগী ফীভম কায়থরকপা, ঈশিং হায়বদি সমুদ্র, পাৎ, তুরেলনচিংবা মফম কয়াদা পোল্যুসন থোক্লকপা অমদি ঙা কা হেন্না ফাদোকপনা মরম ওইদুনা ঙাগী পোথোক হন্থরক্লি।

মতাং অসিদা পঙ্গনীংবা অমদি ঐখোয়গী অকোয়বদা লৈরিবা নুংশিৎ অসিনা ঈশিং ঈচমগী খ্বাইদগী মরু ওইবা হৌরকফমনি। মরম অদুনা মসিদা য়াওরিবা ঈশিং মনিলশিং অদু দ্যুপোইন্ট (Dewpoint) তা য়ৌহন্দুনা ঈশিং ওলহন্দুনা নোং ওইনা চুহল্লিবনি অমদি থক্লনবা ঈশিং ওইনা ওইহল্লিবনি। অসুম্না লম য়াম্না কন্দনা অৱাংবা টেঙ্ক কয়া শাদুনা মখল কয়াগী ঙাশিং পূন্না য়োক্তুনা ঙাগী পোথোক হেনগৎহনবা ঙমগনি অমদি ঙামীশিংগী শেন্থোক লম্বীসু হেনগৎহনবা ঙমগনি। হায়রিবা থৌওং অসি ইন্টিগ্রেটেদকী থৌওং ওইনা পাঙথোকপদা অমুক্কা হেন্না কান্নগনি। মরমদি থৌওং অমগী কান্নদবা পোৎশকশিং থৌওং অমদা অমুক শীজিন্নদুনা অমাঙবা অমত্তা লৈহন্দবা য়াগনি। অদুগীসু মথক্তা চহী চূপ্পা পোৎথোক পুথোকপা ঙমগনি। মতাং অসিদা য়াম্না মরু ওইবা অমদি য়াম্না লাইবক ফবা অমনা নুংশিৎতগী ঈশিং শুংবগী থৌওং অসি ঐখোয়গী লৈবাক হায়বদি ইন্দিয়াদনা অমুক্কা হেন্না খুদোংচাগনি। মরমদি ঐখোয়গী লৈবাক অসিদা ঈশিং মনিলগী চাং য়াম্না য়াওবা অমদি শাবগী চাং অসি ৱাংবা মরমশিং অসি লৈবননি। মতাং অসিদা মীওই অয়াম্বগী পূক্লিংদা ফাওবীরমগনি মদুদি হায়রিবা থৌওং অসিবু ওইথোকপা য়াগদ্রা হায়না। অদুবু নুংশিৎতগী ঈশিং শুংবা অমদি নোং চুহনবগী থৌওং অসি মালেমগী লৈবাক খরদা চাংয়েং ওইনা তৌদুনা মায় পাক্লা পাঙথোক্লখ্রে।

মালেমগী ওইনা ন্যুত্রিসনগী মতাংদা ঙানা অচৌবা থৌদাং লৌবা মরম্না অৱাংবা টেঙ্ক কয়া শানদুনা তাঙ্কক তাঙ্কক খাইদোক্তুনা ঙা মখল কয়া টেঙ্ক অমদা য়োক্লদুনা য়ূমথোঙ কয়াগী ঙা য়োকপগী খুদোংচাবা লৈহন্দুনা মশা মশাগী চাবা কোন্ননবা ঙা পুথোকচবদা নত্তনা মালেমগী ওইনা ঙাগী অৱাৎপা মেনখৎনবা হোৎনরক্লগনি অমদি হেনগৎলক্লিবা মীশিংগী ঙা অমদি চিঙ্গাক্কী অৱাৎপা মেনখৎপা ঙম্লগনি। মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাক কয়াদা লৈরিবা মীওই কয়ানা ঙা অসি মীওইবগী চিঙ্গাক অমা ওইনা অসুক্কী মতিক মরু ওই হায়না খন্নরকপা মরম্না ঙাগী পোথোক অসি হেনগৎহন্দবা য়াদে হায়বা পান্দমদা নুংশিৎতগী ঈশিং শুংদুনা ঙা য়োকপা অসি শুংশোয় শোয়দনা পাঙথোক্তবা য়াদ্রবা থৌওং অমনি হায়না খন্নরকপা মরম্না চহী খরগী মতুংদা ঐখোয় পূন্নমক্না শুংশোয় শোয়দনা থেংনরগনি। ●

## কিনৱহ থাবগী কাঙলোন

- ডা. ৱাইখোম জিতেন -

মোনশাওবী মানবা পান্থী মখল অসিগী চনাল মরূ মানবা মরূ অসি মীওইবনা চানবগীদমক শীজিন্নৈ। তশেংবদি পান্থী মখল অসি ফৌ, গেহু, চুজাক্কী মনুং চন্দে অদুবু পান্থী মখল অসিগী মরূ অসি মীওইবনা ফৌ, গেহু, চুজাক শীজিন্নবগুম শীজিন্নবনা Pseudocereal হায়রগা খঙনৈ। প্রোটিনগী চাং ৱাংনা য়াওবা অদুগা কার্বোহায়দ্রেটকী চাং নেম্না য়াওবনা মরম ওইদুনা মহৈ মরোং মখল অসিবু মীওইবনা পাম্না শীজিন্নৈ।

পান্থী মখল অসি Christopher Columbus না অমেরিকা য়ৌদ্রিঙৈ মমাঙদা খা থংবা অমেরিকাদা লৈবা Inca হায়বা অচৌবা লৈঙাকপা কাঙবু অদুগী মতমদা খ্বাইদগী মরু ওইবা মহৈ-মরোং অমা ওইনা লৌরম্মী অমদি মহৈ মরোংশিংগী লাইরেম্বীনি হায়না লাৎনরম্মী। খা থংবা অমেরিকাদদি পান্থী অসি চহী লিশীং কয়াগী মমাঙদগী মরু ওইবা চিঙ্গাক অমা ওইনা শীজিন্নরক্লবনি। অদুবু মালেমগী অতোপ্পা মফমশিংদদি মঙোন্দা য়াওরিবা মচি ওইবা মচলশিং অদু খঙনরকপদগী সুপর ফুদ (খ্বাইদগী ফবা চিঙ্গাক) ওইনা শীজিন্নরকপা হৌরকপদা ঙাইরি।

চান্নবা মফম :- পান্থী মখল অসি সমুদ্রগী ঈমাইগী অৱাংবা চাংদগী হৌরগা সমুদ্রগী ঈমাইদগী মিটর ৪০০০ ৱাংবা মফম ফাওবগী মনুংদা লৈবা মফমশিংদা হৌই। পান্থী মখল অসি নুমিদাংগী মতমদা ঈংবা অদুগা খ্বাইদগী শাবা মৈশানা ৩২ দিগ্রি সেলসিয়স ওইবা মতমদা খ্বাইদগী ফৈ। পান্থী মখল অসিগী চান্নবা অঙ্গৈং অশা অসি চাংচত্তা ১৮-২০ দিগ্রী সেলসিয়স ওইবা মতমনি।

লৈবাক লৈহাও :- পান্থী মখল অসি কা হেন্না লৈহাও লৈবা মফম নৎত্রবসু অদুম হৌবা ঙম্বা মখলগী পান্থীনি। পান্থী মখল অসি ফোলি ওইনা তৌবা মফমদগী হৌরগা লৈতান্না মপূং ওইবা লৈবাক ফাওবা হৌবা ঙমই। পান্থী মখল অসি অশিন অয়াক্কী চাং pH ৫-৯ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মফমশিংদা হৌবা ঙমই। অদুবু খ্বাইদগী ফবা মফমদি ফোলি ওইনা তৌবা, ঈশিং কুইনা তুংগন্দবা, লৈহাও লৈবা, অশিন অয়াক্কী চাং ময়াই ওইরপ তৌবা মফমদা থাবনা হেন্না ফৈ।

থাবগী মতম :- পান্থী মখল অসি সেপ্টেম্বরদগী হৌরগা দিসেম্বরগী অঙনবা শরুক ফাওবগী মনুংদা থাবা য়াই। অদুবু নবেম্বর অমসুং দিসেম্বরগী অঙনবা শরুক্তা হুনবনা খ্বাইদগী চাথোক হেল্লি।

মরূ হুনবা :- লৌফম অদুগী লৈহাও খেন্নবগী মতুংইন্না পরেং অমগা পরেং অমগা লাপ্ন গদবদা খরা খেন্নগনি। লৈহাও লৈবা মফমনা পরেংগী মরক্তা হেন্না লাওহনগনি। পরেংগা পরেংগগী মরক্কী অরাওবা অসি ফীট ১দগী ১গা মখায় ফাওবা ওইবগা লোয়ননা পান্থীগা পান্থীগা ইঞ্চি ৪ ওইগনি। হুনবীবা মতমদা ইঞ্চি মখায়দগী ইঞ্চি অমা ফাওবা লুনা লৈবাক মনুংদা ফুম্লবা মওংদা হুনবীগনি। পান্থী মখল অসি পরেং নাইনা হুনবীরগা অকুংবা লৌথোকপীরগা অদুম থম্বীবা নৎত্রগা কলম (নর্সরি) শেম্লগা নুমিৎ ১৫-২০ শুরকপদা লিংথোকপীবা য়াবা পান্থীনি। লৌ পরি অমদা থানবগীদমক মরূ কেজি ১৫-২০ ফাওবা চঙই।

নাপী পেংবা : পান্থী মখল অসি নৌরিঙৈ মতমদা নাপীদগী চেকশিনবীগদবনি। পান্থী হুনখবদগী নুমিৎ ৩০নি শুবা ফাওবদা নাপী পেংথোকপীদুনা কিনৱহ অমসুং নাপীনা মচিঙ্গাক, ঈনিল অমদি নুংশা মঙাল মুন্নহনবীরোইদবনি।

পান্থীদা মচিঙ্গাক পীবা :- পান্থী মখল অসি ওর্গানিক ওইনা থাবা য়াবা পান্থীনি। মরমদি অহেনবা মচিঙ্গাক কা হেন্না পীদ্রবসু অদুম লোকপা ঙমই। লৌ পরি অমগী লৌফমদা ষন্থি-ষণয়ুং কেজি ১০,০০০ হায়বদি ত্রেক্টরগী ত্রেলর মপোৎ ৪-৫গুম্বা হাপ্পীরবদি অহেনবা মচিঙ্গাক পীদ্রবসু য়াই। লৌফম অদুনা কা হেন্না ফৎতবা লৌফম ওইরবদি নাইত্রোজেন কেজি ৫০ লৌ পরি অমগী লৌফমদা হাপ্পীগনি।

লায়না তীলনা :- লমদম অসিদা পান্থী মখল অসিদা তোয়না থেংনবা তীল মখল অসি তিন-খাক মখলশিংনি। তীল মখল অসিগীদমক নীম ওইল য়াওবা হীদাক নৎত্রগা Cypermethrin 10% EC মিলিলিটর ১ ঈশিং লিটর ১গী চাংদা য়াল্লগা কাপ্পীগনি। লায়নাগী মরক্তা Brown stalk rot পনবা য়াই। লায়না অসিনা মরম ওইদুনা মহৈ পানফমগা তাইনবা মউগী শরুক অদু কংশিল্লক্তুনা মহৈশিং অদু মরূ চঙহন্দে। লায়না অসিগীদমক Carbendozime 50% WP অসি গ্রাম ২৫-৩০ ঈশিং লিটর ১৫গী চাংদা য়াল্লগা কাপ্পীগনি।

মহৈ লোকপা : চাওরাক্লা ফিট ৩-৪.৫ মুক ৱাংবা পান্থী মখল অসি নুমিৎ ৯০-১২০গী মনুংদা লোকই। লোকপা য়াদ্রিঙৈ মতমদা অশংবা মচু ওইরম্বদগী ঙাংলৈনবা মচু ওল্লকই অমদি ফৌ মচু ওইরপ তৌরকপগা খাওদুনা লোকপা য়ারে। লৌ পরি অমগী লৌফমদগী কিনৱহ মরূ কেজি ১৫০০দগী ৫০০০ ফাওবা লোকপা ঙমই। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।